# সিনিয়র ৱিমেন্স ৱান দে ট্রোফি : পি টি আর সী মায়থীবা পীরম্লগা থাওনা টাইটল লৌখ্রে




**ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম এন সী এ)না শীন্দুনা হৌজিক চথুরিবা ৪রক শুবা এম এন সী এ সিনিয়র ৱিমেন্স ৱান দে ট্রোফি ২০২৪-২৫ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা লোইশিনবা নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা থাও থাংমৈবন্দনা পি টি আর সী পাংৎসোই মায়থীবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌরগা এস ঈ দি ও সী গ্রাউন্দ কোংবা ধোবী লম্পাক্তা থাও অমসুং পি টি আর সীগী মরক্তা চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচ শান্নখি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী টোস পি টি আর সীনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। পি টি আর সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা চিঙ্খেলৈমা চনু অমসুং রঞ্জিতানা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। ওপনর বেটসমেন ওইখিবী চিঙ্খেলৈমা বোল ৭ মায়োক্লবদা শুপ্নতগী রন ৫ খক লৌরম্লগা আউট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর বেটসমেন রঞ্জিতানা বোল ২৩ মায়োক্লবদা রন ২৮ লৌরমখি। মখোয়গী মতুংদা থোক্লকখিবা বেটসমেন লোইদাংতোননা বোল ২৮ মায়োক্লবদা রন ১১ অদুগা আর কে লিন্থোইঙম্বীনা বোল ৯ মায়োক্লবদা রন ১৪ লৌরমখিবা অদু নৎতনা লেমহৌরিবা টিম অদুগী বেটসমেন অমত্তনা দিজিট অনী শুনা রনশিং লৌবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা ওভর ১৯.২ লোইবদা টিম অদুগী ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৮২ খক্তমক লৌবা ঙমখি।

থাওনা টার্গেট রন ৮৩ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা রোবেনী উশম অমসুং সেটর্নিনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। ওপনর বেটসমেন ওইখিবী রোবেনী উশমনা বোল ২৪ মায়োক্লবদা রন ১২ লৌদুনা শান্নরম্লবা মতুং শোকপদগী আউট ওইদনা পোত্থাখি। অতোপ্পা ওপনর বেটসমেন সেটর্নিনা বোল ৩৪ মায়োক্লবদা রন ২২ লৌরগা আউট ওইদনা লৈবা ঙমখি। টিম অসিগী ওইনা বেটসমেন কল্পনা কৈশামনা বোল ১৭ মায়োক্লবদা রন ১৮ অদুগা নিরুতা থৌদামনা বোল ৯ মায়োক্লবদা রন ১৯ লৌদুনা টার্গেট রন য়ৌহনবদা চাওনা মতেং পাংলমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা ওভর ১৩.৫ লোইরকপদা থাওগী ৱিকেট ১ খক্তমক তুরগা টার্গেট রন হেন্দোক্তুনা পূন্না রন ৮৬ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু থাও থাংমৈবন্দনা লাকচনা ৱিকেট ৯দা মায় পাক্তুনা চথুরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী প্লেয়র ওফ দি মেটচকী টাইটলনা থাওগী মিলন চনু য়াম্বেমনা তাখি। মহাক্না ওভর ৪.২দা পূন্না ৱিকেট ৫ লৌরমখি।

চথুরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখ্রবা থাওগী টিমদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৬০ অমদি ট্রোফি অদুগা রন্নর্স অপ তাখ্রবা পি টি আর সীগী টিমদনা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৪০ অমদি ট্রোফি পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। টুর্নামেন্ট অসিগী হায়েষ্ট রন স্কোররনা থাওগী কল্পনা কৈশামনা তাখি।

# কম্পিটিশন পাঙথোক্লবগীদমক কম্মিটি শেমখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচ এন এস):** অহানবা মণিপুর ওপন (শূটিং) কম্পিটিশন মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক মীওই ৭না শাবা কম্মিটি অমা শেমখ্রে হায়না মণিপুর রাইফল এসোসিএশনগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, কম্মিটিদা য়াওরিবশিং অদুদি কম্পিটিশন দিরেক্টর ওইনা লৈশাংথেম তোম্বা, দেপ্যুটি দিরেক্টর ওইনা পাঙম্বম চরঞ্জিৎ, কনভিনর ওইনা উশম তরুনকুমার অদুগা মেম্বরশিং ওইনা কোংব্রাইলাৎপম অসিশ, কাংজম প্রেম, সিনাম সোমরেন্দ্রো মীতৈ অমসুং খন্দজিৎ নাওরেমনি।

অহানবা মণিপুর ওপন (শূটিং) কম্পিটিশন অসি মথং থাগী ১১দগী হৌরগা ১৩ ফাওবা নুমিৎ হুম্নি চুপ্না পাঙথোক্কনি। কম্পিটিশন অসি নুপা অমসুং নুপী অনীমক্কী ওইগনি অমদি কম্পিটিশন অসিদা মিটর ১০গী এয়র রাইফল অমসুং এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা অথোই-অহেন চাংদম্নগনি। হেন্না অকুপ্পা মরোলগীদমক টুর্নামেন্টকী কনভিনর উশম তরুনকুমার অমদি মেম্বর কে অসিশকা পাউ ফাওনবীয়ু হায়রি।

# মণিপুরদগী মীওই অহুম শরুক য়াখি

**ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচ এন এস):** ক্বান কি দো ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়া অমসুং উত্তর প্রদেশ ক্বান কি দো এসোসিএশন অনীনা খুৎশম্নদুনা উত্তর প্রদেশকী গ্রেটর নোইদাদা লৈবা সর্দা য়ুনিভর্সিটিদা নুমিৎ নীনি চুপ্না পাঙথোকখিবা অহুম্লকশুবা ইন্টরনেশনল ক্বান কি দো ট্রেনিং সেমিনার ২০২৫দা মণিপুরদগী মীওই ৩ শরুক য়াখি হায়না ক্বান কি দো এসোসিএশন মণিপুরগী পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ইন টরনেশনল সেমিনার অদুদা মায় পাক্ন া শরুক য়াখ্রবা মণিপুরগী মীহুৎশিং অদুদি ডা. লোংজম মঙালস্না মৈতৈ, থোকচোম অজিৎ অমসুং থোকচোম তরুনকুমার মৈতৈনি। সেমিনার অদুদা ইন্টরনেশনল মাষ্টর ইন্সট্রক্টর রোমানিয়া অমসুং চাইনা হায়রিবা অনী অসিনা ক্বান কি দো মার্সিএল আর্টসকী ওইবা বেসিক অমসুং ফন্দামেন্টেলশিং

केन्द्रीय टूल रूम, लुधियाना
भारत सरकार की सोसायटी
CENTRAL TOOL ROOM, LUDHIANA GOVERNMENT OF INDIA SOCIETY
CTR LUDHIANA

GOVERNMENT OF INDIA
MINISTRY OF MICRO, SMALL & MEDIUM ENTERPRISES
OFFICE OF DEVELOPMENT COMMISSIONER (MSME), NEW DELHI

Applications are invited for the post of General Manager, Central Tool Room, Ludhiana

A new challenging opportunity awaits you to work as General Manager of Autonomous Body (Government of India Societies under Ministry of MSME)

We are looking for energetic, dynamic & talented professionals having domain knowledge, skill sets & leadership qualities, who wish to leverage their experience & knowledge to deliver high results in the respective sector

Eligibility Criteria along with detailed Advertisement & Application Proforma are available on website **www.dcmsme.gov.in, www.ctrludhiana.org** If interested to work at challenging work environment, the duly filled Application, as per the Proforma given in detailed advertisement on Website **www.dcmsme.gov.in** and **www.ctrludhiana.org** should reach by speed/registered post only at the following address by **21/04/2025**.

**"Additional Development Commissioner (TC), Office of the Development Commissioner (MSME), Room No.-717, 7th Floor, A-Wing,Nirman Bhawan, Maulana Azad Road, New Delhi-110011".**

(The envelope containing the application must be superscribed with "Application for the vacancy of General Manager, CTR, Ludhiana").

CBC 25113/12/0179/2425

# মেন্স ভোলিবোল টুর্নামেন্ট মপূং ফানা পাঙথোক্লবগীদমক রেফরি ৬ নোমিনেট তৌখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচ এন এস):** থা অসিগী ২২দগী হৌরগা ২৭ ফাওবা য়ুম্নাম হুইদ্রোম থিয়াম লৈশাংখোংদা লৈবা য়াহিথেল লম্পাক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা খুরাইজম রঞ্জনা দেবী মেমোরিএল ইনভিটেশন মেন্স ভোলিবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক ওল মণিপুর ভোলিবোল এসোসিএশনগী রেফরিজ বোর্দনা পূন্না রেফরি ৬ নোমিনেট তৌখ্রে হায়না ওল মণিপুর ভোলিবোল এসোসিএশনগী সেক্রেটরি এল বালেশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ওল মণিপুর ভোলিবোল এসোসিএশনগী মীৎয়েং মখাদা এস দল্লিয়ু সী য়ুম্নাম হুইদ্রোম থিয়াম লৈশাংখোংনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মেন্স ভোলিবোল টুর্নামেন্ট অসিগী রেফরি ওইনা নোমিনেট তৌখ্রবশিং অদুদি ওল মণিপুর ভোলিবোল এসোসিএশনগী রেফরি কোচসু ওইরিবা ইন্টরনেশনল রেফরি টি ঐচ রোমিও অমসুং নেশনল রেফরিশিং কে রাম, সী ঐচ সনাজাওবা, এস চাওরেল, সী ঐচ মংলেম্বা অমসুং এস ঐচ রোমেশনি। হায়রিবা রেফরিশিং অসিনা থা অসিগী ২২গী অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরিদা মতম চানা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি।

# ওপন ট্রায়ল কম সিলেকশন পাঙথোক্কনি


**ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচ এন এস):** মথং থাগী ৪ দগী হৌরগা ১৫ ফাওবা উত্তর প্রদেশকী ঝান্সিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৫রক শুবা হোক্কী ইন্দিয়া মেন্স সিনিয়র হোক্কী চেম্পিয়নশিপ ২০২৫দা শরুক য়ানবা ষ্টেট সিনিয়র হোক্কী টিম শেম্ন বগীদমক ওপন ট্রায়ল কম সিলেকশন থা অসিগী ২৪দা খুমন লম্পাক্তা লৈবা হোক্কী ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি হায়না হোক্কী মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, হায়রিবা ট্রায়ল অসিদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোয়শিংনা নুমিৎ অদুগী অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা হোক্কী ষ্টেদিয়ম খুমন লম্পাক্তা লাক্তুনা ঐচ রাইকুমার অমসুং টি ঐচ রঞ্জিৎতা রিপোর্ট তৌরগদবনি। লোয়ননা এন জি মোটিলাল কে বসন্ত অমসুং পি অদেবানা খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুনা ইম্ফাল থাদোক্লিবা ফাওবা ট্রেনিং অমদি কোচিংগী থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংগদবনিসু হায়রি।

# ৱাই পি ঐচ য়ু অমসুং এন এ পি এস এ মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশননা শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরক্লিবা ২রকশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেম্মা দেবী মেমোরিএল টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা ৱাই পি ঐচ য়ু ললাম্বুংনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দবু ৱিকেট ৫দা অদুগা এন এ পি এস এ খা-ইম্ফালনা টি সী এম দি সী থোংজুবু রন ৫০দা মায়থীবা পীখ্রে।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1424**

**Anton Isajevsky (2090) - Michael Hehir (1516)**
**Freestyle Friday Chess.com (11), 2025.01.24**

1.O-O Ng6 2.e4 b6 3.d4 d5 4.exd5 Bxd5 5.c4…

**QUESTION :** Black to win

**Puzzle 1423 Solution :**

**27. Qg7+** The white queen deflects Black's rook away from protecting the square h8. **Rxg7**
27...Ke8 28.Qxg8+ Kd7 29.Qxf7
**28. hxg7+** The white pawn captures Black's rook, which was defending Black's pawn and the square g8. **Kg8**
28...Ke8 29.g8=Q+
28...Kxg7 29.Rxh7+ Kg8 30.Rh8+ Kg7 31.R1h7#
**29. Rxh7 f6**
29...f5 30.Rh8+ Kf7 31.Rxc8 Kxg7 32.Rch8 Qxd5 33.R1h7#
29...Nxb2 30.Rh8+ Kxg7 31.R1h7#
**30. Rh8+** The white rook skewers Black's king and rook. **30... Kf7**
30...Kxg7 31.R1h7#
**31. Rxc8** The white rook captures Black's rook, which was defending the square f8. **Kxg7 32. Rch8** Mating net **fxg5**
32...Nxb2 33.R1h7#
32...Qxd5 33.R1h7#
**33. R1h7+** The white rook attacks Black's king, which is defending the square f8.
33.fxg5 Qxd5
33...e6 34.R1h7#
33...Qa6 34.R1h7#
34.R1h7#
**33. ...Kf6 34.Rf8#**
**1-0**

LOAN AVAILABLE



L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, H.Q
CONTACT No.:- 9362775475
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.00PM
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING, IMPHAL WEST, MANIPUR
HL-B/9411/14/3-19/4(all)

वित्त मंत्रालय MINISTRY OF FINANCE

## এটেনশন! জি এস টি টেক্সপেয়রশিং

চহীগী টর্নওভর# অকক্লবা লিমিট অমফাওবা* চাংচৎতা লৈবা মীওইশিংনা ফাইনান্সিএল য়র ২০২৫-২০২৬কী ওইনা মার্চ ৩১, ২০২৫ ফাওবদা জি এস টি কম্পেজিশন স্কিম লৌবা য়াগনি

**কম্পোজিশন স্কিম অসিবু ফংনিংবা ইলিজিবল টেক্সপেয়রশিংনা মখাগী ষ্টেপশিং অসি জি এস টি পোর্টেল (www.gst.gov.in)দা ফোলো তৌবীয়ু!**

টেক্সপেয়র ইন্টর্ফেসতা লোগ ইন তৌ

চঙউ সর্ভিসেসতা > রেজিষ্ট্রেশন > এপ্লিকেশন টু ওপ্ট ফোর কম্পোজিশন লেভি

ফোর্ম জি এস টি সী এম পি-০২ মেল্লু অমসুং সবমিট তৌ

**ইলিজিবল ওইবা টেক্সপেয়রশিং, হান্ননা কম্পেজিশন স্কিম ফংলবশিংনা, ফোর্ম সী এম পি-০২ ফাইল তৌবগী মথৌ তাদে করিগুম্বা মখোয় ইলিজিবল ওইরবদি।**

ইজি এন্দ কনভিনিএন্ট কমপ্লায়ন্স
এট্রেক্টিভ টেক্স রেটস
মিনিমম কমপ্লায়ন্স রিক্বায়র্মেন্টস
ওটো রিন্যুএল এন্দ ইজি টু ওপ্ট-আউট
এভাইলেবল ফোর সপ্লায়র ওফ গূদ্স এজ ৱেল এজ সর্ভিসেস
লেস বুককিপিং

| * সপ্লায়রগী মখলশিং | | # এফ ৱাই ২০২৪-২৫দা চাংচৎতা চহীগী টর্নওভর |
|---|---|---|
| সপ্লায়র ওফ গূদ্স: | ষ্টেট ৮দা রেজিষ্টর তৌবা টেক্সপেয়রশিং | লুপা লাখ ৭৫ ফাওবা |
| | অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা রেজিষ্টর তৌবা টেক্সপেয়রশিং | লুপা লাখ ১৫০ ফাওবা |
| সপ্লায়র ওফ সর্ভিসেস | | লুপা লাখ ৫০ ফাওবা |

অকুপ্পা মরোলগীদমক, সী জি এস টি এক্টকী সেকশন ১০, রুল ৩-৭ ওফ সী জি এস টি রুলস এন্দ নোটিফিকেশন নং. ১৪/২০১৯-সেন্ট্রেল টেক্স দেটেদ ০৭.০৩.২০১৯দা য়েংবীয়ু

জি এস টি কম্পোজিশন স্কিম: অপীকপা টেক্সপেয়রশিংদা অচৌবা কান্নবা

স্কেন তৌ ঐবু!

CBC 15502/13/0009/2425

সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ ইন্দাইরেক্ট টেক্সেস এন্দ কষ্টম্স

@cbicindia @cbic_india @cbicindia @cbicindia @CBIC india

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com